# টিজিগী মহৈরোই রেপ তৌখিবা ৱিল্লিয়ম অমসুং তরুন চহী ১৫ থবক শুরগা জেলদা লৈনবা ফাদোক পীখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল দিসেম্বর ১১:* হৌখিবা চহী ২০১২ গী ওক্টোবর ২০দা টিদিম রোদতা লৈবা ফার্ষ্ট ফুদ রেষ্টুরেন্ট অমদা টি জি গী মহৈরোই অমবু রেপ তৌখিবা ফিল্ম এক্টর তরুন অমসুং কম্মন্দো দ্রাইভর ৱিল্লিয়ম অনি ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ মণিপুর ইষ্ট এ গুনেশ্বর শর্ম্মগী কোর্টনা চহী ১৫ জেলদা লৈদুনা থবক শুবগী দন্দি পীখ্রে। মসিগী মথক্তা মখোয়না তৌখিবা ক্রাইম অদুগী মতুংইন্না লুপা লিশিং ৭০ অমসু ফাইন ওইনা থিনবা খঙহনখ্রে।

টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী টুয়েল্ভ ক্লাস তন্লিবী মহৈরোই অমা নমদুনা রেপ তৌখিবগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাইদগী থোঙাম তরুন (২৮) অপোকপা জয়েন্ত অমসুং খাগেম্পলি পনখাদগী য়ুম্নাম ৱিল্লিয়ম (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা দেবেন প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ৱিটনেস (২২)গী ষ্টেটমেন্ট লৌরবা মতুং মখোয় অনিমক মরাল লৈরে হায়না থা অসিগী ৯ দা কোর্ট অসিমক্না আই পি সিগী সেক্সন ৩৭২ (২) (৯) অদুগা (গেং রেপ) অমসুং ১২০-বি (ক্রিমিনেল কন্সপরেন্সি)গী মতুংইন্না কনভিক্সন পীখ্রবনি। মসিগী মতুং তারকপা ওইনা মরাল লৈরবা ৱিল্লিয়ম অমসুং তরুন অনি ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ মণিপুর ইষ্ট এ গুননেশ্বরগী কোর্ট অসিনা মখোয় অনিমক চহী ১৫ কৈশুমশঙদা লৈদুনা থবক শুবগী দন্দি পীবা য়াওনা লুপা লিশিং ৭০ গী ফাইন অদু থিনবা রুল্লিং পীখিবনি।

হায়রিবা লুপা লিশিং ৭০ গী ফাইন অসি ক্রিমিনেল কন্সপরেন্সি চথখিবগীদমক মখোয় অনিগী ওইনা লুপা লিশিং ১০/১০ অদুগা গেং রেপকীদমক লুপা লিশিং ২৫/২৫ পুন্না লুপা লিশিং ৭০ অসি থিনবা খঙহনখিবনি। করিগুম্বা গেং রেপকী ওইনা ফাইন তৌগদবা শেনফম অসি থিদ্রগনা মখোয়দা পীরিবা সেন্টেন্সকী মতমা চহী ১৫ অসিগী মথক্তা চহী অহুম অমগা অমুক শাংথনা লৈগদবনি। অদুগা ক্রিমিনেল কন্সপরেন্সিগী লুপা লিশিং ১০/গী ফাইন অসি থিদ্রগনা অতোপ্পা চহী অনি অমগা শাংথনা জেলদা লৈগদবনি।

মরাল লৈরবা তরুন অমসুং ৱিল্লিয়ম কোর্টনা সেন্টেন্সগী মতম লাওথোক্লবা মতম জেলদা পুখিনবনা কোর্ট রুমদগী পুথোরকপা ভিক্তিম ফেমিলি অমদি তোঙান তোঙানবা নুপী ওর্গনাইজেসন কয়ানা কোর্টকী কেম্পসতা ঙাইদুনা লৈখি। লোয়ননা মখোয় অনিদা পীরিবা দন্দি অসি য়াংমল্লি। দিল্লিদা গেং রেপ তৌখিবদা চেন্নবশিংবুনা শিবগী দন্দি পীরগা মখোয়বুনা চহী ১৫ গী থবক শুবগী জেলদা লৈনবা দন্দি ওইনা পীবসি য়াংমল্লি হায়না পেন্দবগী স্লোগান কয়া লাওশিনখি।

মীয়ামগী ঈহৌ অদুনা মরম ওইরগা তরুন অমসুং ৱিল্লিয়ম কোর্ট রুমদগী পুথোকপা ঙমখিদে। তুংদা নুপী পুলিস য়াওনা য়াল্লবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা মীয়াম অদুবু ইহোক্লগা থমখি। লাংনরিঙৈ চৈরক অদুদা ৱিল্লিয়ম অমসুং তরুন কোর্ট রুমদগী পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা চেহোরক্লগা গাড়ীদা চোংখৎলবা মতুং পুলিসনা য়াম্না হৈ-শিংনা মফম অদুদগী পুরগা চৎখি। পুলিসনা মখোয় অনি পুরগা চৎখিবা অদুদা ভিক্তিমগী মাম্মনি হায়বা কোংপালদগী ঙাসম সুরজিৎ (২৪) কৌবা অমনা পুলিসকী গাড়ীদা নুংনা থোমজিল্লুবদগী পুলিসনা ফারগা তমথিনা ফুখি। চাংনবা মরক অদুদা এন জি দেবলা দেবী কৌবী অমগী সন মঙাগী সনা থৎখ্রে হায়রি।

ঙসিগী কোর্টনা তরুন অমসুং ৱিল্লিয়ম অনি সেন্টেন্স লাওথোকখিবগা মরী লৈননা প্রোজিক্যুসন ডাইরেক্টর এন জি তেজকুমারনা হায়খিবদা, কোর্টকী দিরেক্তিভকী মতুংইন্না সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা রেপ ভিক্তিম অমদা লুপা লাক্ষ অমা মখাই ফংবা য়াবগী হক অদু লৈরি। অমরোমদনা লমদমসিদা হাংলিব রেষ্টুরেন্টশিংগী ওইবা রুল অমা গভর্নমেন্টনা থমগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিয়েল মাদর ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট সোরোজিনিনা হায়খিবদা, মরাল লৈরবা ৱিল্লিয়ম অমসুং তরুন্দা পীরিবা দন্দি অসি য়াংমল্লি। উ মোরোক য়োনবী জামথাইলিয়ুদা গেং রেপ চথখিবশিংবুনা মপুন্সি চুপ্পগী জেলদা লৈনবা দন্দি পীখ্রগা মখোয় অনিনা শুপ্নগী চহী ১৫ থবক শুবগী জেলদা থম্নবা দন্দি পীবা অসি য়ানিংদে। দিল্লিগী গেং রেপতা চেন্নবশিংবুনা শিবগী দন্দি পীরি। লৈবাকসিগী ওইনা চপ মান্নবা দন্দি অদু পীহন্নিংই হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই নুপীমচা অসি স্কুল কানবা থোরকপদা ৱিল্লিয়ম অমসুং তরুন অনিনা নমদুনা স্কুল কাবা য়ারোই হায়না পুদুনা টিদিম লম্বীগী ফার্ষ্ট ফুদ রেষ্টুরেন্ট অমদা অচা অথক্তা পোৎয়ান হাপচিন্দুনা গেং রেপকী থৌদোক অদু চথখিবনি। লোয়ননা করিগুম্বা থৌদোক মীয়ামদা হায়দোরকপা তারবদি ৱেবসাইটতা থাদোক্কনি হায়না অকনবা থ্রিটন তৌখিবনি। মসিগী মথক্তা একুজ অনিগী মায়কৈদগী মী থারক্তুনা ৱাথোক অসি লোয়শিন্নরসি। লুপা লাক্ষ ২০ পীগে হায়না মন্তিক্লরম্বা ফাওবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।